

লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা ১৪শুবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখিবা

ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা মসিগী মসা লোয়শঙ ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম ৱাবগাই বজারদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ফাউন্দেসন অসিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা

ওল মণিপুর ন্যুজপেপর এন্দ ইলেক্ট্রোনিক্স মীদিয়া ইমপ্লোয়ী এসোসিএসন (এম্নেমিয়া)গী মেম্বরশিংনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর খাংজ্রাকপম ননাও, হেদ মেকানিকতা শেলগী তেংবাঙ খূৎশিন্নখিবা

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরেদা লৈবা ত্রেদ সেন্টর মৈ থাগ্রবা মতুংদা মনুংদা লৈবা গাড়ীগী চাকা, জেনরেটরগী ইঞ্জিন, ত্রান্সফোর্মর ফক্কায়রগা মনুংদা য়াওবা কোইলনচিংবা কুকিনি চিংনবশিংনা হুরানখিবা

## কংলা মীফম্না মীখা পোন্দ্রিঙৈগী পূন্সি নীংশিংহল্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** ঙরাং কংলাগী উত্রা মমাঙদা এম এল এ ৩৭ অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি মেম্বর অনীনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিং অদুনা অদুঙৈ বৃটিশনা মণিপুরগী লৈঙাক্লোন পায়শিন্দ্রিঙৈদা লৈখিবা ষ্টেট অসিগী সোসিও-পোলিটিকেলগী ফীভম অদু অমুক হন্না নীংশিংহল্লে হায়না ইন্দিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমদা ওফিসশিং লৈরিবা 'দি মৈতৈ এল্লাইয়েন্স'কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ব্রাঞ্চ ওফিস হাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা ৱাবগাই বজারদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ইরাবতফাউন্দেসন মণিপুরগী ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লমদমদুগী সোসল এক্টিভিষ্ট কে অজিৎ, ঐচ কেশোরজিৎ প্রসিদেন্ট কার্দ, এন বিমোলচান্দ প্রসিদেন্ট ওল মণিপুর ফিশ ফার্মরস এসোসিএসন, কে ঐচ গোপেন লুৱাংনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। চীঙাক্তা মীপাল তাঙদবা ইশাগী পোত্থোক্তনা নীংতম্না ৱাত্ত-পাদনা চাজবা মান্নবা খুন্নাই অমা লিংনবগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অসি মেম্বর ১০০ অমদি ইগজিক্যুটিভ মেম্বর ২৩না শেমখিবনি হায়রি।

## পোৎ হুরানখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোরেদা লৈবা ত্রেদ সেন্টরগী গেটকী ছো ফক্কায়রগা লমহেন-তুহেনবা কুকিনি চিংনবশিংনা নারোন্দা চঙশিল্লগা পোৎ-চৈ কয়া হুরান্দুনা পুখ্রে হায়রি। ত্রেদ সেন্টর অসিদা খামদুনা থম্বা গাড়ীগী চাকা, জেনরেটরগী ইঞ্জিন অমদি ত্রান্সফোর্মরগী কেবল ফাওবা ফত্তুনা হুরানবদা নত্তনা লৈমায়দা থাবা টাইল ফাওবা ফত্তুনা হুরানখ্রে হায়রি।

## এম য়ু সীগী ভি সীনা লুচিংবা টিমনা গভর্ণর উনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর যুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী) গী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রোনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী এদভাইজর দেবেন্দ্র শর্ম্মা অমসুং এম য়ু সীগী রেজিষ্ট্রার এল রাধাকান্তগা লোয়ননা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেগা রাজভবন্দা উনখ্রে।

উনখিবা অদুদা যুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমসুং তুংদা ওইরক্কবা হোৎনরিবা পান্দমশিংগী মতাংদা গভর্ণরদা পাউদমখি। দেবেন্দ্র শর্ম্মনা পাউদমখিবদা মিনিষ্ট্রি অসিনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা আর্ট, কলচর অমসুং ত্রেদিসনশিং অসিবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবগী মথৌ তাই হায়না খল্লদুনা এম য়ু সী অসি নেসনলগী থাক্তা মরু ওইরবা ইন্সটিট্যুট অমগী থাক্তা শেমগৎনবা হোৎনরি হায়খি।

মহাক্না মখা তাখিবদা, লৈঙাকসিনা মণিপুর যুনিভর্সিটি ওফ কলচরবু হৌখিবা কুমজা ২০২১দা সেন্ট্রেল যুনিভর্সিটি অমগী থাক্তা অপগ্রেট তৌবীনবা প্রপোজ তৌখিবা লৈখ্রে হায়নসু পাউদমখি।

যুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রোনা হায়খিবদা, হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াদা যুনিভর্সিটি ৪৬০ লৈরি। হায়রিবা যুনিভর্সিটিশিং অসিগী মনুংদা কলচরেল যুনিভর্সিটিদি শুপ্নগী অহুমখক্তনি। অহুম অদুগী মনুংদা এম য়ু সী অসি অমনি। অসিগুম্বা শীংথানিংঙাই ওইরবা যুনিভর্সিটি অসিদা হৌজিক-হৌজিক কলচরগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ১১ হাংলি। হায়রিবা দিপার্টমেন্টশিং অসিগী মনুংদা ত্রাইবেল ষ্টদিজগী দিপার্টমেন্টসু য়াওরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পাউদমশিং অদু গভর্ণরনা তারবা মতুংদা মহাক্নসু হন্দক্তা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা এন ঈ গী প্লেনরি সেসন্দা মণিপুরগী ফজরবা কলচরগী মচাকশিং অসি দিভেলপ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লমখিবনি হায়না পাউদল্লকখি হায়রি।

## 'টেক্স ময়াম লৌরকপদগী গাড়ীগী টয়ার শীনবা ঙমদ্রে'

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরগী লাইফ লাইন অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা মপানগী ষ্টেটশিংদগী পোৎ-চৈনচিংবা লৌবা চৎলিবা ত্রকশিংদা লম্বী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লোনা য়াদবা মওংদা মখল মখা কয়াগী টেক্স লৌরকপসিনা গাড়ীশিং নীংথিনা মেন্টেনেন্স তৌবা ঙম্লক্তবগা লোয়ননা টয়ার ফাওবা অহনবা শীনবা ঙমদবগী ফীভমদা লাক্লে হায়না হায়ৱে অসিদা গাড়ী থৌরিবা দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লম্বী অসিদা সর্ভিস তৌরিবা গাড়ী দ্রাইভর খরনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, দিমাপুরদগী সেনপাতি ফাওবগী মরক অসিদনা নাগাগী লালহৌবা লূপ অমনা রোদ টেক্স, গুদস টেক্সনচিংবা লৌরি। অদুগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদনা অমুক কুকি লালহৌবা খরনা রোদ টেক্স অমদি গুদস টেক্স লৌরি। মখোয়না লৌরিবা টেক্স অসি পোৎ-চৈ পুরক্লিবা অদুগী মতুংইন্না লুপা ৫০০দগী লুপা ১০,০০০ ফাওবা লৌরি। করিগুম্বদা হায়রিবা টেক্সশিং অসি পীদ্রগদি গাড়ীশিং অদু চৎহন্দে, ফাজিল্লগা থম্মী। কনাগুম্বা ৱা খরা কন্না ঙাংনরুবদি দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেন চৈ চাবা শোয়দ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা তোঙান-তোঙানবা দ্রাইভর্স য়ুনিয়ন অমদি সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংনা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্তা অহবা চেরোল কয়া পীশিন্দুনা লাক্লগাসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা অমত্তা পায়খৎপীদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা হায়ৱে নম্বর টু অসিগী মাওদগীনা সেকমাই ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা পুলিসকী চেক পোষ্টশিংদনা লুপা ২০০দগী ৫০০ ফাওবা হান্না লৌরম্বা চাংদগী হেনগৎনা লৌরকপসিনা দ্রাইভরশিংদা হেন্না অৱা পোৎলুম থোনগৎপীরে। মাও পুলিস ষ্টেসন্দনা লুপা ৫০০, তদুবী পি এসতা লুপা ৩০০, মরাম ও পিদা লুপা ৩০০, লাইরৌ ও পিদা লুপা ৩০০, সেনাপতি পি এসতা লুপা ৩০০, তফৌ ও পিদা লুপা ৩০০, এম নিংথৌফমদা লুপা ৩০০, কাংপোকপী পি এসতা লুপা ৫০০, সপরমৈনা পি এসতা লুপা ৩০০/৪০০, সেকমাই পি এসতা লুপা ২০০/৪০০ লৌরি। হীরম অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীনবা দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদসু নেসনল ভোটর্স দে পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** লৈবাক অসিগী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু ১৪রকশুবা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

'নথিং লাইক ভোটিং, আই ভোট ফোর সিওর' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনল দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরগী থৌ পুরিবা এ দি এম, বি লোকেশ্বর শর্ম্মনা অথোইবা মীথুং; এ সী টু দি সী থৌবাল এস সুরচন্দ্রনা থৌরম মপু, ৩০-লিলোং এ সীগী ঈ আর ওগী থৌ পুরিবা এস দি ও লিলোং জুলিয়া খুরাইজম, ৩১-থৌবাল এ সীগী ঈ আর ওগী থৌ পুরিবা বি দি ও থৌবাল ৱাই শের সিংহ, ৩২-৩৫ এ সীগী ঈ আর ওগী থৌ পুরিবা এস দি ও থৌবাল এম রঞ্জিতা অমসুং ৩৩-৩৪ এ সীগী ঈ আর ওগী থৌ পুরিবা বি দি ও ৱাংজিং এম সুরঞ্জয়না অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইলেক্টোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসকী থৌমীশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, কামজোং দিষ্ট্রিক্ট, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টনচিংবদসু দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরশিংনা শীন্দুনা নেসনল ভোটর্স দেগী থৌরম পাঙথোক্লখি হায়রি।

## মণিপুরগী থৌদোক্কী মতাংদা ইনক্কারি কম্মিসন্দা এফিদাবিট সবমিট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন মণিপুর ইন্টিগ্রিটি (কোকোমি)গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর ৱাই সুরজিৎকুমার খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং জন্যুৱারী ২৪দা লামায় ৮০ পানবা এফিদাবিট অমা ইনক্কারি কম্মিসন্দা সবমিট তৌখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, এফিদাবিট অসিগা লোয়ননা কুকিশিংগী নেসন বিল্ডিংগী মরু ওইবা বুকলেট জালেঙম অমদি অতোপ্পা চেফোঙ কয়াদা য়াওবা দোক্যুমেন্টশিংনা এনেক্সর ওইরগা পুন্না লামায় ২৮০ পানবা বুকলেট অমসু ইনক্লোজ তৌরগা কোকোমিনা সবমিট তৌখ্রে হায়রি।

হৌখিবা জন্যুৱারী ২১দা কুকি এম এল এ ১০না হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা মণিপুরগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লীনা লৌবা ৱারেপকী মায়োক্তা লৈরিবা অসি মণিপুর থুগায়নবগী খোঙথাংনি হায়বসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানসু লৌশিনফম থোকই। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা কুকি মিলিটেন্টশিংগা তৌনরিবা সূ অদু হন্দোক্লবগী মরমদি সূগী গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগা লোয়ননা মীচম মীয়ামদা অমদি ষ্টেট ফোর্সতা লান্দারক্তুনা ষ্টেটসিদা মীশি-মীনা, অশোক-অপন, য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট লৈঙাকসু সূ হন্দোকখ্রবনি। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াসু হন্দোকপীনবা লৈঙাক অসিনা অমদি মণিপুর মীয়াম্না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। হৌখিবা জন্যুৱারী ১৯দা কোকোমিগী মীওই ৮না শাবা কাঙবু অমনা মণিপুরগী সী এমগা উনদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিন্নবা হায়জখিবসু লৈখ্রবনি হায়রি।

## মীয়াম্না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙবীরক্লি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা মীওই কয়ানা তেংবাঙবীরক্লি হায়না হোম অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম কে ইল্লৱারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মমাঙ থা দিসেম্বর ৩১দা খুরাই পুথিবা লৈকায়দগী হাওবিজম শান্তি মীতৈনা ষ্টেসন্নরি আইটেমশিং পীবীরম্মী, নুমিৎ অসিমক্তদা কোংপাল কোংখাম লৈকায়দগী ইরুংবম সোনিনা লুপা লিশিং ২ পীবীরম্মী অমদি নুমিৎ অসিমক্তদা লৈকায়সিমক্তদগী থাংজম জোতিননা অঙাংশিংগীদমক চিকন কে জি ৫ পীবীরম্মী। চৎলিবা জন্যুৱারী থা অসিগী ১দা তেংবাঙবীরম্বশিংদি তোপ খোংনাংখোঙদগী নাওরেম বিক্রমজিৎনা কম্বল ১৫ পীবীরম্মী। উরিপোক খাইদেম লৈকায়দগী খাইদেম শরতনা চিকন কে জি ৫ অঙাংশিংগীদমক পীবীরম্মী। জন্যুৱারী ৩দনা উয়ুম্পোক মখা লৈকায়দগী তখেলময়ুম ওংবী জোসিলানা অঙাংশিংবু অয়ুক্কী চাক্লেন পীজবীরম্মী। জন্যুৱারী ৭তনা নিঙোমথোংজাও মখা লৈকায়দগী নান্দেবম পর্শুরাম অমদি ইরোম ইবোমচানা অঙাংশিংগী চিকন কে জি ৬ পীবীরম্মী। জন্যুৱারী ১১ দনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা কৈথেলদগী অকোইজম সুকুমার অমদি অকোইজম ইন্দিরানা মচানুপা অকোইজম সুরেশ সিংহনা মাগী চহী ২৬ শুরকপগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, হৱাই কে জি ৩০, কেক বোক্স ১ পীবীরম্মী। নুমিৎসিদমক্তদা কৈশামথোংদা লৈবা আর্ট ওফ লিভিং মণিপুরগী মীওইশিংনা অঙাংশিংগী শীজিন্নবা ফিরোলশিং অমদি অচাপোৎশিং পীবীরম্মী। জন্যুৱারী ১২দনা সেগা লম্বী খ্বাইরাকপম লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা সৌবাম নবকিশোর অমদি সৌবাম ওংবী সনা লৈমগী মচানুপা সৌবাম নবচন্দ্র মৈতৈনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা সৌবাম নবকিশোরগী লৈখিদবগী অহুল্লকশুবা চহী কুমওনগা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৩, মখল কয়াগী হৱাই পুন্না কে জি ৫০, তিলহৌ কে জি ২০, আলু বেগ ১, অচাথাউ লিটর ১৫গী তিন ১, ঙা অতেকপা কে জি ৫, কোক তৈনবা থাউ লিক্লি ১৮ অমদি বিসক্টি বোক্স ১ পীবীরম্মী।

মীয়ামগী তেংবাঙ খক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী থৌবুরোয়শিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎচবসু ফোঙদোকচরি হায়রি।

## এম্নেমিয়ানা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** দি ওল মণিপুর ন্যুজপেপর এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন (এম্নেমিয়া)গী মেম্বরশিংনা অনা-অয়েকয়াওরকপা, অৱা-অনা তারকপা মতমদা এসোসিএসন অসিনা তেংবাঙপীবগী থবক হেক-হেক পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না এম্নেমিয়াগী সেক্রেটরি লাইশ্রম অম্বারিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী তেংবাঙ খোঙচৎ মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ৫০ রকশুবা ওইনা অদুগা চৎলিবা চহী ২০২৪গী ওইনা অনীরকশুবা ওইনা এম্নেমিয়াগী সী গ্রুপকী মেম্বর ৩২ খাংজ্রাকপম ননাও অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ জিলা ফৈজালৈতোং থোংজু পার্ট টুদা লৈবগী মফমদা অঙম্বা তেংবাঙ পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

খাংজ্রাকপম ননাও মণিপুরীদা নুংতিগী অয়ুক্তা ফোঙবা ইরৈবাক প্রেসকী হেদ মেছিনমেন ওইরম্বনি। পাউচে অসি হৌখিবা চহী ২০২৩গী ওক্তোবর ৬তগী ফোঙবা লেপখিবদগী মহাক্কী শেন্থোক লম্বী অমত্তা হৌজিক ফাওবা লৈতদুনা থা ৩ লোম লৈরকপসিদা এসোসিএসনগী সী গ্রুপকী চৎনবী মতুংইন্না ঙসি তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

ঙসিগী শেলগী তেংবাঙ পীবা অসিদা এসোসিএসনগী ফাইনান্স সেক্রেটরি খাংজ্রাকপম সুন্দরনা লুচিংলগা মেম্বর শগোলশেম চাউবা অমদি পাঙম্বম সল্কিনা শরুক য়াখি।

## এম য়ুদা নুমীৎ নীনিগী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী, ২০২০গী মখাদা মণিপুর যুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী দান্স এন্দ ম্যুজিক দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা 'মেক-অপ ফোর স্কিল দিভেলপমেন্ট এন্দ ইমপ্লোয়এবিলিটি' হায়বা হীরমদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি য়ুনিভির্সিটিগী অসিগী ভি সীগী কম্মিটি রুমদা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুং ওইখি। ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী গুরু জি চনচন অমদি শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট টি ঐচ হেরামোতিনা ৱা ঙাংখি।

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 37/AS&SO-X Dt. 19/01/2024**

Elangbam Kunjarani Devi, W/o. (L) E. Maimacha Singh of Khangabok Awang Leikai. - Applicant

-VS-

(Late) Elangbam Maimacha Singh, S/o. (L) Kondum Singh of Khangabok. - Opp.

**[illegible] / NOTICE**

Dated 25/01/2024

Under Section 46(3) of M.L.R. and L.R., Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩- খাঙবোক, পাট্টা নং ৯৪ (অরিবা) ১৪০ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৪৫৯৫ এরিয়া .১৩৫০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি এলাংবম কুঞ্জরানি দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-** Assistant Survey & Settlement Officer-X
DSLR, Manipur
HL-P/9370/26

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (CENTRAL)-I, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 1366/SDC/IW(C)-I of 2023 dt. 28/12/2023**

1. Gurumayum Loiyumba Sharma, S/o. (L) Gurumayum Brajakumar Sharma of Uripok Laikhurembi Leikai.
2. Gurumayum Bappi Sharma, S/o. (L) Gurumayum Brajakumar Sharma of -do- -Petitioner (S)

-VS-

1. (Late) Gurumayum Brajakumar Sharma, S/o. Brajamani Sharma of Uripok Laikhurembi.
2. Gurumayum Vivikumar Sharma, S/o. -do- of -do- - O.P. (S)

**CORRIGENDUM**

**[illegible] / NOTICE**

Lamphel, 29th Dec., 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1. Gurumayum Brajakumar Sharma of Uripok Laikhurembi গী মিংদা লৈবা Imphal West তাহশিলগী খুল নং 87-Uripok অরিবা পাট্টা নম্বর 115 অনৌবা পাট্টা নম্বর 155 দাগ নং 3043 অমসুং এরিয়া .04760 হেক্তর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিগী মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West (Central)-I উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অহবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই, কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- BC to SDC,**
Imphal West (Central)-I
HL-P/9367/26

### IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 38/AS&SO-X Dt. 19/01/2024**

Md. Farijuddin, S/o. (L) Md. Amala of Sangaiyumpham Part-II Cherapur. - Applicant

-VS-

Late Co-Pattadar No. I Md. Majahar Mia, S/o. (L) Pheijao Mia of Sangaiyumpham,
Co-Pattadar No. II Md. Amalullna Mia, S/o. (L) Majahar Mia of -do- - Opp.

**[illegible] / NOTICE**

Dated 25/01/2024

Under Section 46(3) of M.L.R. and L.R., Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩- খাঙবোক, পাট্টা নং ৩৩/১০৯০ (অরিবা) ১৭৪২ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২৫২৬ এরিয়া .৭২২০ হেক্তর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি মুহ: ফরিজুদ্দিনদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-** Assistant Survey & Settlement Officer-X
DSLR, Manipur
HL-P/9370/26

## [illegible]

[illegible]

**চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]**

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-শু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8476/8 Jan. to 7 Feb.

**[illegible]/অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, হাক্কৎচবা অদু খাঙবা ঙমদদুনা খোৎলুবা মতমদা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউথোরকপা, চাউথোরকপা অদু ঙাইহাক্কী মতুংদা মশানা হঙ্গৎখিবা, নুমীদাং তূম্বা মতমদা মীকপ থোক্লকপা মতমদা অমাংথোঙদা হাক্কৎচৈ হায়না য়েংবা মতমদা অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লগা লৈরম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা কুইনা চঙবা, শংলগা অদুম লৈনিংবা, অমাংবদু লোইনা তারকউ য়াদবা, মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বা য়ারক্তবা, অমুক খোঙ হাম্বা য়ারকপা, অসুম্না বেরা থাংবা, শা-ঙা চারগনা অমুক হেন্না খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবসু হেনবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু অমুক হঙ্গৎখিবা, অমুক পোমথোরকপা, অসুম্না তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাখিবা অদুনা হকচাংদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, অমাংথোঙ ময়াদা য়াইরোংমুক চাউবা অমা পোমথোরকপা, মচিনসু নাইদবা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা অহিং তূম্বা য়াদবা খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নাম্থবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8429/26 *থাগৎচরিবী :* **S. Sobita Devi,** Haobam Marak

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) :** রূপ রাগগী সেক্রেটরি হামোম পুর্ণনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মণিপুরী ম্যুজিক্কী লময়ানবা, মতম ঈশৈগী অচেৎপা য়ূম্ফম থোনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা রূপ রাগগী অশেংবা লন ওইজরম্বা তেকচম গম্ভির, মীয়াম্না গম্ভির বাঁসি হায়না খঙনবা অসিনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ জন্যুৱারী ২৩দা তাইবং মপুগী খূয়া তানখ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা রূপ রাগগী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

Moulding Career & Igniting Young Minds
APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Akham Leikai, Airport Road-01
REGISTRATION OPEN
Congratulations
CUET (UG)
Common University Entrance Test (2024)
UNDER GRADUATE TESTS for Indian Central Universities
Eligibility: XII Sc. & XII Arts
CUET (UG) Classes available for Paper I, II & III
Domain subjects: Phy, Chem, Bio, Maths, Hist, Geog. Pol. Sc. & Eco.
Class Starts: 11/03/2024 for Sc. & 01/4/2024 for Arts
Forms available for Foundation course - 2024
XII Sc. & XI Sc. [CBSE & COHSEM]
Avail Hostel seats for Boys & Girls
Mr. Nitish Naorem
AIR - 116 (99.96 percentile)
Hansraj College, DU
CUET-2023
For more details pliz visit Apollo Office, Kwakeithel, Near AMUCO Office (8 am. to 3 p.m.)
HL-B/8392/8 to 30 Alt.

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI NEAR EDHOU KHAMLANGBA
ADMISSION OPEN: Class X Revision STARTS ON 4TH JAN. 2024
LIMITED SEAT FIRST COME FIRST SERVE
FOUNDATION COURSE Class VI & X (BOSEM& CBSE) STARTS ON 22ND JAN. 2024
TIME: 4:30 P.M. to 7:30 P.M
TOPPERS of 2023
17TH POSITION PREETY SAPAM NIRMALABAS D/O. S. SURAJ & S. KATHERINE
18TH POSITION VIDYA N NIRMALABAS D/O. N. HEROJIT & NG. BANDANA
19TH POSITION KOROUNGANBA T ST. JOSEPH S/O. T. RANJAN &CH. SHARMILA
22ND POSITION ITHOI S USA SINGJAMEI S/O. S. KIRAN & S. CHINGLEMBI
25TH POSITION T. POOJA ROY NIRMALABAS D/O. T. BHAGAT & L. SHANTA SHARMILA
25TH POSITION MD. ANISH KHAN ST. JOSEPH S/O. MD. ASLAM KHAN & MRS. SAFARJAN BEGUM
MANIPURI - (100) HR. MATHS - (100) T. DHANASHREE LITTLE FLOWER D/o. T. Gamvirchand & Shanta N.
HR. MATHS - (100) NINGTHIBI N. LITTLE FLOWER D/o. Irabanta N. & Pratima S.
HR. MATHS - (100) KOROUNGANBA T ST. JOSEPH S/o. T. Ranjan & Ch. Sharmila
HR. MATHS - (100) PREETY SAPAM NIRMALABAS D/o. S. Suraj & S. Katherine
FINE ARTS - (100) LANGLENSANA A. HERITAGE CONVENT D/o. A. Saratkumar and L. Bebi
SEPARATE BOARDING FOR GIRLS & BOYS WITH WI-FI FREE CAMPUS
1ST POSITION 2020 RESHMI N. Pitambara
1ST POSITION 2019 BHUMIKA SH. Pitambara
1ST POSITION 2018 YAIPHABI M. (LFS)
1ST POSITION 2017 PRIYANKA M. (NBS)
1ST POSITION 2016 SOHANA L. (NBS)
1ST POSITION 2013 MIRANDA M. (NBS)
MOCK TEST FOR HSLCE -2024
1ST - RS. 15,000
2ND - RS. 10,000
3RD - RS. 08,000
4TH TO 10TH - RS. 3,000 EACH
SUB TOPPER - RS. 3,000 EACH
CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/7907/8 Dec. to 8 Feb.